# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7:30 AM
# (DATE 18-12-2017)

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭:৩০ গী পাউ**

**(তাং ১৮-১২-২০১৭, নিংথৌকাবা)**

**----সিগনেচরট্যুন----**

**অকাশবানি ইম্ফাল নোলিনি দেবীনা পাউ পাজরি**

**অহানবদা মরুওইবা পাউ**

১) গুজরাট অমসুং হিমাচল প্রদেশ বিধান সভা মীখলগী ভোৎ মশিং থিনবা শেম শাবা লোইরে, মীখলগী ফল নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ফংলবা য়াই।

২) লৈবাক অসিগী অৰাং থংবা লমদমগী তোঙান তোঙনবা মফমশিংদা কা হেন্না ইংলে।

**অমসুং**

৩) পাকিস্তানগী ক্বেতা সহরদা টেরোরিষ্টশিংনা চথুরকপা এতেক্তা মী ৯ শিরে, ৪৪ শোক্লে।

**--সিগনেচরট্যুন--**

**গুজরাট ঃ** গুজরাট অমসুং হিমাচল প্রদেশ বিধান সভা মীখলগী ঙসি ভোৎ মশিং থিনবগীদমক শেম শাবা পুমমক লোইরে। অয়ুক্কী পুং ৮ দা ভোৎ মশিং থিবা হৌগনি অমসুং মীখলগী ফল নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ফংলবা য়াই।

সদস্য ১৮২ লৈবা গুজরাট বিধান সভা মীখল থা অসিগী ৯ অমসুং ১৪ দা তাঙ্কক অনি থোকা পাংথোকখি। অদুগা সিট ৬৮ লৈবা হিমাচল বিধান সভা মীখলনা মমাং থাগী ৯ দা পাংথোকখি।

গুজরাটতা রাজ্য অদুগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটর পুমমক্তা ইলেক্সন কম্মিসননা কন্ট্রোল রুম ৩৩ হাংলে। মীখল অসিনা মীরেপ ১৮২৮ কী মরাইবক লেপকদৌরি।

হিমাচল প্রদেশতা ভোৎ মশিং থিনবগীদমক কাউন্তিং সেন্তর ৪৮ হাংদোক্লে। ভোৎ মশিং থিবদা পুন্না ওফিসিয়েল ২৮২০ শিজিন্নগনি। মীরেপ ৩৩৭ না মীখল অসিদা লন্বা থেংনরি।

**কোল্ড ঃ** লৈবাক অসিগী অৰাং থংবা লমদমগী তোঙান তোঙনবা মফমশিংদা কা হেন্না অঙৈংবা মায়োকনরে।

কাশ্মিরগী কার্গিলদা হৌজিক ফাওবদা ইংবগী চাং দিগ্রী সেলসিয়স দিগ্রী মাইস ১৩.৪ য়ৌরে। মসিদসু নত্তনা লদাক্কী মফমশিংদসু কা হেন্না ইংলে। লাক্লিবা নুমিৎ খরনিদসু ইংবগী চাং হেনগৎলকখিগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

রাজস্থানগী চুরুদা সেলসিয়স দিগ্রি ১.৮ গী চাং য়ৌনা ঈংলি। রাজ্য অদুগী মফম কয়াদা লৈচিল কা হেন্না কুংনা থাবদগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অপনবা থোক্লে। পঞ্জাব, হরিয়ানাদসু লৈচিল কুংনা থাবদগী রেল গাড়ি চেনবা অমসুং এরোপ্লেন পাইথোক-পাইশিন তৌবদা চাউনা অপনবা থোক্লে। হিমাচল প্রদেশ অমসুং দিল্লিদসু কা হেন্না ঈংলে।

**পিয়ুজ গোয়লঃ** রেল গাড়ি মনুংদা সি.সি.টি.ভি. কেমেরাশিং হাপবা হোৎনরি হায়না রেল মন্ত্রি-পিয়ুজ গোয়লনা হায়রি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা মহাকা হায়- রেল গাড়ি তোংদুনা চৎপা নুপীশিং খুদোংথিবা থোক্তনবা রেল গাড়ি খুদিংমক্তা ৱাই ফাই ফংহনবা অমসুং সি.সি.টি.ভি. কেমেররা থন্নগী ৱাফম রেলৱেজনা কুপা খন্নখি। হায়রিবা থবক অসি ২০১৮ দা পাঙথোক্কুনা নুপী অমসুং অঙাংদা মীওৎ মীনৈ চথবা অমসুং আইন কায়না লল্লোনবা থিংনবা লন্বী য়াৎলগনি।

**টোক্কঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অফগানিস্তানগী হান্নগী রাস্ত্রপতি-হমিদ করজাইগা লমদম অসোমদা ওইরিবা সেক্যুরিতিগী ফিভম অমদি লৈবাক অনিগী ওইবা মরুওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

ত্বিতরদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ন্যু দিল্লিদা হমিদ করজাইগা মহাক্কা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা অদুদা অপেনবা পোকই। প্রধান মন্ত্রিনা হামিদ করজাইবু ইকায় খুমবা উৎতুনা চাকলেন অমসু শিনখিবনি। সরকারগী পাউনা হায়-লুচিংবা অনিনা ভারতনা অফগানিস্তানদা মরুওইবা লম কয়াদা পীগদবা তেংবাং য়াওনা লৈবাক অনিগী মরি হেন্না চেৎশিলহন্নবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখি।

**এতেক ঃ** পাকিস্তানগী খা-নোংচুপ থংবা ক্বেতা সহরদা লৈবা চর্চ অমদা খুৎলাই মতিক চানা পায়বা টেরোরিষ্টশিংনা ঙরাং এতেক চথরকপদা য়ামদ্রবদা মী ৯ শিরে, অঙাং অমসুং নুপী য়াওনা পুন্না ৪৪ শোক্লে।

বালুচিস্তানগী হোম মিনিষ্টর মির সরফরাজ বুগতিনা হায়- এতেক অদু সুইটসাইদ বোম্মর অনিনা চথখিবনি। পুলিসকা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপবদা এতেক্কর অমা শীখি অদুগা অতোপ্পা এতেক্কর অমনা চর্চ মনুংদা চংলক্লগা বোম পোকখাইহনখি। বলুচিস্তানগী ইনস্পেক্তর জেনেরেল মৌজম অন্সারিনা হায়- এতেক চথখিবা মতম অদুদা চর্চ মনুংদা লাই খুরুম্বা মীওই ৪০০ রোম লৈখি।

ইস্লামিক ষ্টেট টেরর গ্রুপনা এতেক অদু মখোয়না চথখিবনি হায়না দাবী তৌখ্রে।

**--তাবিরিবা পাউ অসি অকাশবনি ইম্ফালদগীনি--**

ইম্ফালদা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ খরা খন্ননবা, আই.এস.টি.ভিগী ইদিটর ইন চিফ ব্রোজেন্দ্র নিঙোম্বা অমসুং ঐখোয়গী মীহুৎ রামাকান্ত শর্ম্মা লৈরে।

**--রামাকান্ত--**